# থিএটর ফেষ্টিবেল ওফ ক্রিএটিভ দিরেক্টরস ২০১৯ -৩

*- নানি*



কলম অসিদা পরিং চত্থরকপা ওইনা ঙসিসু মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমিনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা থিএটর ফেষ্টিবেল ওফ ক্রিএটিভ দিরেক্টরস ২০১৯দা উৎখিবা কোসমোপোলিটান দ্রামাটিক য়ুনিয়ন, কোংবগী *মঙালগী ঈথক ঈরৈ* হায়বা প্লে অমগী মপাউ পুজরক্লি। প্লে অসি কাংজম রাধাকুমারনা ইবা ৱারী মচা অমদগী নন্দকুমার মোইরাংথেমনা দ্রামাটাইজেসন অমদি দিরেক্সন পীদুনা কোসমোপোলিটান দ্রামাটিক য়ুনিয়নগী অনৌবা প্রদক্সন অমা ওইনা পুথোকপনি। প্লে অসি মমাঙদসু অমুক-অনীরক উৎখ্রে। হন্দক্কী অসিনা অহুম্লকশুবা উৎপনি। মমাঙদা উৎখিবদুদগী থোইদোক্লা ময়েং তাহন্দনা, য়াম্না চেকশিন্না প্লে অসিনা হায়নীংলিবা/উৎনীংলিবা কয়া অদু ওদিএন্সতা চপ-চানা য়ৌহনবা ঙম্না প্লে অদু উৎখি হায়বা তাই।

প্লে অসিদা শরুক য়াখিবশিংদি খুরা তোমাল (ৱাহেংবম কুলবিধু), থোইবী (ওইনাম তম্ফা), থোইবীগী ৱাখলগী শক্তম (লাইরিকয়েংবম মেমীচা), থোইবা (এন রিমোটকুমার), চাউবা (মোইরাংথেম প্রিয়োবর্টা), লোয়া (অথোকপম রোমিও), মালয়া (খম্নাম বিজয়), য়াইমা (মোইরাংথেম রোমিও), চীংখৈ (খম্নাম বিপিন), হেম্বা (তখেল্লম্বম রোমিও), লৈশেম্বা (ৱারেপম শঙ্কর), ওজা ফিরেপ্পা (সুনিল শগোলশেম), পুলিস কন্সটেবলশিং (মোইরাংথেম ননাও অমদি এন মুহিন্দ্রো), কৃষ্ণ (কোঙ্গেংবম পুস্পা চনু), রাধা (মোনিকা নিংথৌজম), স্পিসিএল এপিয়ারেন্স ওইনা (খম্নাম বিরেন অমদি নন্দকুমার) নি।

কাংজম রাধাকুমার, ব্যুরোক্রেট ওফিসর অমা ওইনা লৈবাক্কী অচৌবা ফম কয়া পায়দুনা লাকখি। অদুবু মশাদা লোৎতুনা থল্লিবা পামজবা অমদি হৈনজবা অমা ওইনা লিটরেচরবুসু লোয়নদুনা লাকখি। ঙসিদি থবক্তগী পোত্থারবা মতুংদা লিটরেচরগী লম্ অসিদা (মণিপুরী অমদি ইংলিস অনীমক্তা) য়াম্না ইচং থৌনা মাঙদা চঙশিল্লক্লিবা মীশক অমনি। লাইরিক খরা ফোঙখ্রে, মহাক্কী ফোঙলবা লাইরিক্কী ৱারী মচা ওইনা লাইরিক্কী চেনাদা লৈরম্বদগী নন্দকুমারনা মহাক্কী অনৌবা ভিজন অমগা য়ানশিন্নদুনা য়াম্না মিনীংফুল ওইবা প্লে অমা শেমগৎলকপা, মদুবু অয়েংবশিংগী পূক্লিং-ইহুল অমদি থম্মোয় কাচিন য়ৌনা ইমোসন ফাওহনবা ঙমখিবা অসিদি এদাপটেসনগী হৈ শিংবা অদুননি হায়বা তাই। অফবা ৱা ঙাঙনবা, কান্নগদবা ৱাফম কয়া শুগাইনা নৈনবা হায়বসিনা খুন্নাই অমবু নৎত্রগা অমগা-অমগগী মরক্তা পাউ ফাওদোক্নবদা অচৌবা পাম্বৈ অমা ওইরি। অদুবু নৈনরিবা ৱাফমশিং অদুগী ফনা য়াম্না মরু ওইবা লৈরবসু মফম মতম চানা নৈনদ্রবদি, কান্নফম খঙদে। অমরোমদা চিন্দমক ফবা, থবক্তি য়াওদবা, ইখূৎ তিংথোক্তনা মীখূৎতমক পাম্বা, ৱাজাউদমক ঙাঙবসিনা খুন্নাইসিদা পুরক্কদৌরিবা কান্নবসি করিনো হায়বসি লীলাসিদা ময়েক শেংনা উৎলি। প্লে অসিদা দিরেক্টরনা য়াম্না নিংথিনা প্লে অমগী নুংঙাইবা, নুংশিবা পূম্নমক থোনগৎতুনা নুংঙাইনা য়েংবা য়াবা প্লে অমা ওইনা শেমগৎলকই। লীলাসিগী সেট অসি ইচম চম্মী। অদুবু মরম অমদি মফম চানা শীজিন্নবনা অয়েংবশিংগী পূক্লিংদা দিরেক্টরনা উৎনীংলিবা খুদিংমক্কী সিচুএসন অদু থম্মোয়দা য়ৌহনবা ঙম্মী।

লীলা অসিগী লিটরেরি টেক্স অসি য়াম্না পৱরফুল ওই। প্লে অসি ঐখোয়না ইপিসোদ ওইনা খাইদোক্তুনা য়েংবদা নৈনরিবা খুদিংমকশিং অসি য়াম্না মরূ চঙবা, ঙসিগী কন্টেম্পরেরি সোসাইটি অসিগী মীরোল অসিদা নিংথিনা ৱাখল খলহনবা ঙম্বা মচাক্তনা পিক থল্লি। লায়রবা খুরা তোমাল অমদি মথন্তা পোকচবী থোইবী অনীগী য়ূম্বাল পুন্সিদা থেংনরিবা কয়াশিং অদু ঐখোয়না লীলাগী শরুক ওইনা উবা ঙম্লক্তে। খুন্নাই অসিদা ঙসিমক থোক্লিবা মরূ চঙবা থৌদোক অমা ওইনা উরকই। থিকা তৌদুনা শেল পায়বা নহাশিংনা মতু শোনবা নুপী অঙাংশিংদা য়েংলিবা মীৎয়েং, পাল্লিবা লিচৎ প্লে অসিদা য়াম্না মকা লাম্না হায়নবা হোৎনৈ। মশাগী লায়না অমা চেল্লিবা খুরা তোমালনা মচা লৈশাবীবু লাইরিক তম্নবা অমদি ইমুং পুবা ঙম্নবা য়ু খরা তেক-তেক য়োন্দুনা হোৎনজবদু থকপা চঙলক্লিবশিংনা স্কোলর শাদুনা অখঙ-অহৈ কয়া উত্থোক্লন্দুনা ৱাজাউ ঙাঙনরি। তাবা ৱারবা, খাঙবা ঙমদ্রবসু পাম্বৈ লৈত্রবা মপা-মচানা মখোয়গী য়াকা য়েংদুনা খাঙবা তাখি। মচানুপীনা হায়- "শিনফম অসি নত্তবা অমা য়েংলসি। মসি ঐ য়াম্না হৈনদ্রে", মপানা খুম্মী - "পূম্নমক ঐ খঙই শোয়দনা তোক্লনি। ঙসি অসিনা অরোইবা নুমিৎ ওইরনি"।

য়ু থকফমদা মখল কয়াগী ইস্যুশিং নৈনৈ। ইস্যুশিং অদুগী পোজিটিভ অমদি কন্সত্রক্টিভ সোল্যুসন থোইদোক্লা পুথোক্লদ্রবসু অমনা অমা হায়বদা অমনা অনী হায়নদুনা নুংঙাইবা একাদেমিক অর্গুমেন্ট কয়ানা লীলা অসিগী থৱায় হাপ্পী। লোইশিল্লকপদা অদুক য়াম্না থৌনা লৈনা অশিংবা শানা অমদি অখঙবা শানা ঙাঙনরম্বা কয়াশিং অদু, নহা ঙাওশিন্নবা খরনা য়ু থকচিল্লগা ইমুংদুগী লৈশাবী থোইবীদা নত্তবা লিচৎ চৎনবা হোৎনরকপদা কনা অমত্তনা পাঙ্গল শোল্লবী, পাম্বৈ লৈত্রবী নুপীমচা অদুগী মতেং পাংবিখিদে। মশা মশা শোক্তনবা থুপচিন্দুনা লৈনখি। অদুবু মলায়া কৌবা ময়াম্না অঙাওবনি হায়না খঙনরিবা নুপা অমনা নহাশিং অদু ফূদুনা নুপীমচা অদুবু কনখি। অঙাওবা অদুনা অখঙ অহৈ শারিবা পূম্নমকশিং অদুবু চৈরমখি। লীলাসি নোকই, কপ্পী, ৱাখল খলহল্লি। ইনিটলেকচুএল সর্কলদা লৈবশিংদগীনা মখল খুদিংমক্কী ওদিএন্সশিংনা একসেপ্ট তৌবা প্লে অমা ওইখি।

হেন্না নুংঙাইরিবদি, প্লে অসি উৎপা নুমিৎতা চন্দ্রকৃটি ওদিটোরিয়ম অদু মীনা চোন্না তিনখিবা অদুনি। থিএটর য়েংবিনবা মী লৈত্রে, ইনভাইটেসন পীদুনা কৌরবসু লাকপীদ্রে হায়না তেংথাবা ময়াম অসিগী মরক্তা কোসমোপোলিটানগী লীলা অসিনদি অয়েংবশিংবু ওদিটোরিয়মদা কৌশিন্দুনা মচি লেংহন্দবা মখৈ লীলা য়েংহনবা ঙম্মী। ওদিএন্সশিংনা লীলা অদু তশেংনা নুংঙাই হায়না ফোঙদোক্লরম্মী। মসিদা খল্লক্লিবা ৱাখলদি, হৌজিকসু থিএটর য়েংখিনি। মীয়াম্না য়েংনীংবা ৱাখলসু খলহনবা ঙম্বা অফবা মখলগী প্লে পুথোরকপদা কনানা য়েংলোইদৌরিবনো? থিএটরগী মীৎয়েংলোই লৈত্রে হায়না থোইনা নুংনাংবা পোক্লিবা অসি কোসমোপোলিটানগী হন্দক্কী অসিগুম্বা প্লেশিং অসি মরাং কায়না পুথোক্লরবদি হৌজিকসু থিএটরগী মীৎয়েংলোই মশীং শোয়দনা হেনগৎলকখিনি হায়না থাজে। কোসমোপোলিটান দ্রামাটিক য়ুনিয়নগী প্লে অয়াম্বদা ওদিএন্স খন্দনা নুংঙাইনা য়েংহল্লিবা অসিগীদমক চাউথোকচবা ফাওই। মতুংদা হেন্না ফবা লীলা কয়া পুথোরকখিনি হায়না থাজে।

## মালেমগী অঙকপশিং

## ভরানসিগী ঘাটশিং

ভরানসিদা গঙ্গা তুরেলগী তোর্বান তাবা শিরি থাক কাফম কয়ামরুম লৈ। মসিবু ঘাট হায়রগা খঙনৈ। সীটি অসিদা চাউরাক্লা ঘাট ৮৭ লোম লৈ। ঘাট অয়াম্বা ঈরু মায়থজবা অমসুং লাইনীং-লাইশোলগী থৌরম পাঙথোকই। খরদনা অশিবগী পোল্লোইফম ওইনা শীজিন্নৈ।



কুমজা ১৭০০ কী পরিংদা ভরানসিদা মরাথা এম্পায়রগী শরুক অমা ওইরিঙৈদা ঘাট অয়াম্বা শাখিবনি। হৌজিক লৈরিবা ঘাট অয়াম্বা মরাথা, শিন্দে (শিন্দিয়া), হোলকার, ভোন্সলে অমদি পেশ্বাশিংনা শেমগৎখিবনি। ঘাট অয়াম্বা পুৱারীগী তাঙ্কক অমা নৎত্রগা অমগা মরী লৈনৈ। খরা অমনা লন্নাই ওইনা চল্লাইবনি।

ভরানসিদা লৈরিবা ঘাটশিংদি মাতা অনন্দমনি ঘাট, অশী ঘাট, অহিল্যা ঘাট, অদি কেশবা ঘাট, অহিল্যাবাই ঘাট, বদ্রি নরায়ন ঘাট, বাজিরাও ঘাট, বাওলি/উমরাওগিরি। অমরোহা ঘাট, ভদাইনি ঘাট, ভোন্সলে ঘাট, ব্রহমা ঘাট, বুন্দি পরাকোটা ঘাট, চাওকি ঘাট, চাউসাথি ঘাট, চেতা সিংহ ঘাট, দান্দি ঘাট, দরভঙ্গা ঘাট, দশশ্বেমেধ ঘাট, দিগপাটিয়া ঘাট, দুর্গা ঘাট, গঙ্গা মহল ঘাট-১, গঙ্গা মহল ঘাট-২, গাই ঘাট, গাওরি শঙ্কর ঘাট, গনেশা ঘাট, গোলা ঘাট, গুলারিয়া ঘাট, হনুমান ঘাট, হনুমানাগর্ধি ঘাট, হশি চন্দ্র ঘাট, জেন ঘাট, জলাসায়ি ঘাট, জানকি ঘাট, জতারা ঘাট, কর্নাটকা ষ্টেট ঘাট, কেদর ঘাট, খিরকিয়া ঘাট, খোরি ঘাট, লালা ঘাট, লালি ঘাট, ললিটা ঘাট, মহানির্বানি ঘাট, মন্ন মন্দিরা ঘাট, মন্নসরোবরা ঘাট, মঙ্গলা গাওরি ঘাট, মনিকর্নিকা ঘাট, মেহতা ঘাট, মীর ঘাট, মুনশি ঘাট, নন্দেসবরা ঘাট, নারদা ঘাট, নয়া ঘাট, নেপালি ঘাট, নিরঞ্জানি ঘাট, নিশাদ ঘাট, ওল্ড হনুমানানা ঘাট, পানিয়াগঙ্গা ঘাট, পঞ্চকোটা ঘাট, পান্দে ঘাট, ফুটা ঘাট, প্রভু ঘাট, প্রহলাদা ঘাট, প্রয়াগা ঘাট, রাজ ঘাট, রাজা ঘাট, রাজা গ্বেলিয়র ঘাট, রাজেন্দ্র প্রসাদ ঘাট, রাম ঘাট, সররেশ্বরা ঘাট, সিন্দিয়া ঘাট, শিবালা ঘাট, শিতালা ঘাট, সোমেশ্বরা ঘাট, তেলিয়ানালা ঘাট, ত্রিলোচনা ঘাট, ত্রিপুরা ভাইরবি ঘাট, তুলসি ঘাট, বচরাজা ঘাট, বোনিমাধবা ঘাট, বিজায়ানগ্রম ঘাট অমসুং সামলে ঘাটনি।

খ্বাইদগী মমিং চৎপা ঘাটশিংগী মনুংদা দশশ্বামেধ ঘাটসু অমনি। বিশ্বনাথ টেম্পলগী মনাক নক্লা লৈবা ঘাট অসিগী মরমদা হিন্দু লাইনিং চৎপশিংনা থাজনবা ৱারী অনী লৈ। অহানবদা ব্রহমানা মহাদেবগী পুক্লিং পেলহন্নবগীদমক ঘাট অসি শাখিবনি হায়রি। অতোপ্পা অমদনা মফমসিদা ব্রহমানা যজ্ঞ তৌদুনা শগোল তরা কৎখি হায়না থাজনরি। ঙসিসু মফমসিদা লাইনিংবশিংনা নুমীৎ খুদিংগী "অগনি পুজা" (মৈ খুরুম্বগী থৌরম) হেক হেক পাঙথোক্লি। মহাদেব, গঙ্গা, নুমীৎ, লৈ অমসুং মালেম ইমাবু পুক্লিং পেলহন্নবগীদমক নুমীৎ খুদিংগী "মৈ পুজা" কৎপনি হায়রি।

মনিকার্নিকা ঘাট, সিন্দিয়া ঘাট, মন-মন্দির ঘাট অমদি ললিতা ঘাটসু মমিং খ্বাইদগী চৎপা ঘাটশিংগী মনুং চল্লি। হিন্দু লাইনিং চৎপশিংনা ভরানাসিগী ঘাটশিংগী পোৎলোইবগী থৌরম পাঙথোক্লরি। চহী খুদিংগী তোঙান-তোঙানবা ঘাটশিংদা অশিবা হকচাং ৩০,০০০ রোম পোৎলোইরি। চাংচত্তা পাথোক্লবদি নোংমদা ৮০ রোমনি। থৌওং অসিনা গঙ্গা তুরেল মোৎহল্লকপগী য়াম্না চাউনা য়েৎনবা অমা থোরকখি। কুমজা ১৯৮০ গী পরিংদা ইন্দিয়ন গভর্ণমেন্টনা গঙ্গা তুরেল মোৎশিল্লকপা থিংনবগী থৌরাং অমা লৌখৎলদুনা ঘাটশিংদা পোৎলোইবগী থৌরম পাঙথোকহনখিদে। পোৎলোইবা তোখাইবা মফম অমা শেন্নম্মী। অদুবু অতোপ্পা মফমদা পোৎলোইরুরগা ঘাটশিংদা লাক্তুনা উৎ থাদবদি য়াহল্লম্মী। অদুম ওইনমক গঙ্গা তুরেল তোর্বান্দা লৈরিবা ভরানাসিগী ঘাটশিং নোংম-নোংমগী মোৎপা হেঞ্জিল্লক্লে।

কাশি নৎত্রগা বনারস হায়নসু খঙনবা ভরানসি হায়রিবা সীটি অসি হিন্দু লাইনিং চৎপশিংগীদমক্তদি য়াম্না মরু ওইবা মফম অমনি। "সীটি ওফ টেম্পল" অমসুং "রিলিজিয়স কেপিটেল ওফ ইন্দিয়া" হায়না খঙনবা মফমসিদা চহী খুদিংগী মীওই লিশিং কয়া লাই খুরুম্বা লাকই।

ভরানসিগী মরমদা মরু ওইবা ৱাফম খরা:

গঙ্গা তুরেলগী তোর্বান্দা লৈরিবা ভরানাসিবু মালেমদা খ্বাইদগী লিরবা সীটিনি হায়না থাজনরি। হিন্দু লাইনিং চৎপশিংনা মফমসিদা অরোইবা য়াহীপ তানবা ফংজরবদি অরান-খুভম ফংলে হায়না থাজনৈ।

লাইনিং লাইশোলগা মরী লৈনবা অমসুং লাইশঙ মশীং থীঙমদনা লৈরিবা ভরানসিবু মহৈ-মশিন অমদি নাৎকী ওইবা য়াম্না মরু ওইবা মফম অমা ওইনসু লৌনরি। মফম অসিদা লৈরিবা বনারস হিন্দু য়ুনিভর্সিটিনা এসিয়াগী মনুংদা খ্বাইদগী চাউবনি। মফম অসি অয়ুর্বেদা অমদি যোগগী হৌরকফমনি হায়না লৌনরি।

লাইনিং লাইশোলগী মফম ওইনা লৌনবা ভরানাসিদা মতম কয়াগী মমাঙদগী লল্লোন-ঈতিক্কী মরম পায়খৎতুনা লাকখি। মফম অসিগী সনা, লুপা অমদি মুগা মালেমদা মমিং চৎলি। মুনশি প্রেম চান্দ অমদি তুলসি দাসনচিংবা মমিং চৎলবা অইবা কয়া মফম অসিদা পোকপনি। সিতার খোংবা রবি শঙ্কর অমদি শেহনাই খোংবা উষ্টাদ বিসমিলা খানসু ভরানসিদা পোকপনি। ইন্দিয়া মনুং অমদি মপান্দগী মীওই কয়ানা মমিং চৎনবা ফিল্ম কয়া নমখ্রবা মফম অসিগী ঙক্লিং-ঙাই ওইবা চৎনবী অমা হায়বা তারবদি হঙোই লুহোংবগী মতাংদনি। নোংজুথা খুদিংগী অশ্বামেধ ঘাটতা হঙোই অনী লুহোংবিরগা তুরেলদা থাদোকখি।

## থাজবরা, থাজদবরা ? অঙকপনা থল্লবা মালেম

- লিওনার্দো দা ভিন্সিনা পুথোক্লম্বা অলার্ম ক্লোক অমনা খোঙয়াদা হাক্কৎচবা হোৎলগা মীওই অমবু তূম্বা হৌদোকই।
- প্লুটো হায়রিবা প্লানেট অসি অসুক্কী মতীক ঈংই মদুদি নেসনেল এরোনোটিক্স এন্দ স্পেস এদমিনিষ্ট্রেসন (নাসা) না মফমদুদা থাখিবা ফম-জিল্লবা হেম্বর্গর (ফ্রোজন হেম্বর্গর) অমা হৌজিকসু অদুম্মক চাবা য়াবগী ফীভমদা লৈরি।
- মীওইবনা মচীনমক্লা ফোঙ-দোকপা ঙল্লোইদবা ৱাহৈ চাদা ৯৫ রোম এস এম এসদা থারি।
- অন্টার্টিকাদা লৈরিবা উন চাদা অহুমলোমদি পেনগুইনগী হক্কী ঈশিংনি।
- "কোলগেট" হায়রিবা টুথপেষ্ট অসি স্পেনিস লোলদা ৱাহন্থোক পীরবদি "চৎলো নথন্তা থৌরী য়াল্লগা শিজরুরো" হায়বনি।
- ওক্টোপসকী অথিফমদি মকোক্তা পাল্লি।
- কুমজা ১৮৮০ গী অদুৱাইদা "পেন্ট" (খোঙ্গ্রাউ) হায়বা ৱাহৈ অসি ঈংলেন্দদা অকাম্পেৎ ওইনা লৌনরম্মী।
- নাতোল মেনশিল্লগা চারবদি শেমনে, আলুনে অমসুং তিল্হৌনে মহাউ চপ মান্নে।
- ৱিন্সটন চর্চিলনা মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাও হেক লোইবগা সোভিয়েট য়ুনিয়নদা লান্দানবগী মতাংদা "ওপ-রেশন অনথিঙ্কেবল" কৌবা থৌরাং অমা লৌখৎনবা হোৎনখি। অদুবু সোভিয়েটকী লান্মী য়াম্মনখিবা মরম্না থৌরাং অদু তোকপা তাখি।
- মীওইবগী ব্রেন্দা শীজিন্নরিবসি চাউরাক্লা এনর্জি ৱাট ২৫ রোমনি। মসিনা ইলেক্ট্রিক বল্ব অমা ইরায় লায়না থানবা য়াগনি।
- ব্রেন্দা য়াওরিবা ঈ উতোংশিং অসি চাউরাক্লা মাইল লাখ অমরোম শাংই।
- ব্রেননা মিনিট ৪ দগী ৬ ফাওবা ওক্সিজেন ফংদ্রবসু অদুম্মক হিংবা ঙম্মী। মিনিট ৫ দগী ১০ ফাওবা ওক্সিজেন ফংদবা তারবদি ব্রেন অসি মপুঙ ফানা মাঙ তাকখিগনি।
- মমীৎ তাঙবা মীসু মঙ মঙই। মঙদা উবা ঙম্বা নৎত্রগা ঙমদবা হায়বদুদি পোকপদগী মীৎ তাঙলকপা নৎত্রগা হান্না উরম্বদগী কোন্না মীৎ তাঙলকপা হায়বসিগী মখা পোল্লি।
- মমাংঙৈদগী হৌনা "নুংশিবা" হায়বসিগা থম্মোয় (হার্ট) কা মরী লৈনহল্লগ্লিবসিগী চপ চাবা মরম কনামত্তনা খঙবা ঙমদ্রি। গ্রীকশিংনা ইহান হান্না অনি অসি মরী লৈনহল্লম্বনি হায়না হিষ্টোরিয়ান খরনা ফোঙদোক্লি।
- নাহী তারকপা মতমদা কনাগুম্বনা ঈ খক্লবনি হায়দুনা নাতোন মেনশিল্লগা লোংনা হিপথবা য়াওই। থৌওং অসিনা নাহী তাবদি ফহনখিবা য়াই হায়ববু নিংশা শ্বর ফুননবগী মরম ওইহল্লকপা য়াই। মরম অদুনা নাহী খক্লবা খ্বাইদগী ফবা পাম্বৈদি মথক থংবা চীনবান্দা য়ারী অমদি চীনবান কারক্তা লশিং মচেৎ অমা নমশিনগদবনি অমসুং মদুগী মথক্তা খুৎনা নমগদবনি। মতমদুদানাহী তাবা ফখিগনি হায়না সাউথ অফ্রিকাগী ই এন টি স্পেসিয়েলিষ্ট পিটর দেসমারাইসনা ফোঙদোক্লি।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ৩১।০৩।২০১৯ ইং, নোংমাইজিং,
লমতাগী ২৬নি পানবা।

**মেষ:** অঙনবদা অফা-অপুন্নবা, লন মাঙবা অমদি খোইরাংবনা মাঙজবা লৈগনি। মরুপ-মপাংনদি চানবী, শেল-থুমগী থবক্তা মায় পাকচৈ, অচম্বা চাবনা হকচাং নুংঙাইগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা তেংবাঙবিগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**বৃষ :** ইশৌ লাংগনু, হোয়া ফগনু অমদি নক্লবা মীনা থাজদনা নমথাক তৌবিবা য়াবা লৈ। অনীংবা ঙাক্তা পাংদা য়াদে খনগনু। খন্থরগা থবক্তা শেল থাদবা য়াগনি। তুংদা কান্নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- ইকায়খুম্নবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা।

**মিথুন:** পূক্লিংদা কিবা অমদি চিংনবা পোকপা লাক্কনি অদুবু য়েৎলুদ্রবা অমদি মীৱা লৌদ্রদি মীপাইনিংঙাই লৈরোই। অঙম-অথৌনদি চানগনি, শেল ফংবা য়াবা মরম লাক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নত্তবা পাম্বৈনা মায় পাক্কনি খনগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক/ থোইদিং অমুবা।

**কর্কট:** হকচাং নুংঙাইবা, ওইজ-ওইথক ফংবা অমদি ৱাখল থোকপা নুমিৎনি। অদুবু নচাক-নরলগী লম্দা য়েংথিনবা য়াই অদুনা অরৈবা শাগনু। মীয়াম্নদি চানগনি, মরুপ ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা চানগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা।

**সিংহ:** মায় পাক্কনি, অশা চাউবগী কান্নবা ফংগনি অমদি মরুপ-মপাং লোয়নবা থবক অয়াম্বা লায়না মায় পাক্কনি। ৱানোম-থৌনোম কান্নগনি অদুবু ফংবা য়াবা খরদি পনখিনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা খরদি থুংলনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

**কন্য:** মতম মাঙবনা হেনগনি অমদি খাংবা কন্দবনা লন ময়েং তাগনি। থবক অয়াম্বদা থিজিনবা কল্লু। নীংলকপা অফবা খরা পাংবগী ইকায়খুম্নবা অমদি মীংচৎতি ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী : ৱাখল তামিন্নবা য়াগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**তুলা:** পূক্লিং ৱাবা, লৌশিং থোকপা ৱাৎপা অমদি য়েক্লবনা পাঙ্গলবা নুমিৎনি। হকচাং নুংঙাইবা মীয়াম লোয়নবনা নুংঙাইবদি লৈগনি। ফত্তবগী ৱাখল পোক্লক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**বৃশ্চিক :** লাইবক ফরনি, নীংবা মপা চাগনি অমদি খুৎচাউ থাবা য়াগনি। মীয়ামগা লোয়নবা থবক মায় পাকনা পাংবা ঙমগনি। লৈঙাক্কী থবক্তদি কাইনবা নংদনবা নোল্লুকউ।
লৈশা পাখংশিংগী - মায় পাকচৌ হায়বা নুমিৎনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাঙবা।

**ধনু:** মীংচৎ ফংগনি, পাংঙমদবা থবক পাংবা য়াবসু লাক্লে অমদি নচা-ননাইগী লম্দা পেনজবা লৈগনি। অদুবু অফা-অপুন্নবা নৎত্রগা অনা-অয়েক্লা য়েৎকনি, খুৎচাউ থাগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - ঙাঙথোকপদা তানীংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**মকর:** ইমুং-মনুং ৱাখল তামিন্নবা, নীংবা থুংজবা অমদি শেল-থুমগী থবক্তা থোইদোক্লা কান্নবা লৈগনি। মরী-মতা নৎত্রগা নক্লবা কাইনবা লাক্কদৌরি। লৌশিং চাউবা মী লোয়নবা ফৈ।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/য়াইঙং।

**কুম্ভ:** কাইনবগী নুংঙাইতবা, ইমুং-মনুং ৱাখল তিন্নদবনা নরল ময়েং তাবা অমদি শোন্থবা লৈগনি। মরুপ-মপাংনদি লোয়নবা পাম্বা অমদি মীরক চংবনা নুংঙাইবা ফংগদবা লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবা ফংজে-নুংঙাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**মীন:** মরুপ-মপাংগী মতেংনা অনীংবা থবক শোইদনা পাংগনি, অঙম্বনা চানগনি, থৌনা ফুদোক্লা মফম কনবা য়াগনি অমদি অকিবা লৈরোই। লৈবাক্কী থবক্তদি লন চৎকনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা মপা চাগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ চিনি অঙাঙবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

## টোমেটো রাইচ করম্না শেমগদগে

**চঙগদ্দবা পোৎচঙ:**

আলু অনী (মকক-মকক কক্লবা)
হৱাই অশাংবী খরা
তিল্হৌ অচৌবা অমা (পানা শোইরবা)
অচৌবা খামেন অশিনবা অহুম
তঙ্খায় খায়দোক্লবা মোরোক অতেকপা অনী।
ফদিগোম মনা অশোইবা খুবাম অমা।
শিং অমদি চনম অশুবা চামচ অমা।
মোরোক অকংবা মকূপ চামচ তঙ্খায়।
য়াইঙং মকূপ চামচ তঙ্খায়।
অচাথাউ চামচ অহুম।
থুম খরা
চেঙ কপ অমা মখায়।
ঈশিং খরা।
তেজপট্টা অমা।
এলাইচি মরি।
লোং তরুক।
উশিংশা মচেৎ অমা।

**শেম-শাবগী মওং:**

চেঙ শেংনা চামথোক্লগা ঈশিংদা তীংলগা থম্লো।
মৈথক্তা প্রেসর কুকর নৎত্রগা উয়ান থাঙ্গৎলগা থাউ হৈরো।
তেজপট্টা, এলাইচি, লোং, উশিংশা অমদি জিরা ঙৌরো।
তিল্হৌ হাপচিল্লগা ঙাইহাক ঙৌরো।
শিং অমদি চনম অশুবা হাপচিল্লগা মনম লাওদ্রি ফাওবা ঙৌরো।
খামেন অশিনবা, থুম অমদি য়াইঙং মকূপ হাপচিল্লগা মখা তানা ঙৌরো।
মোরোক মকূপ হাপচিল্লবা মতুংনা মিনিট ২ রোম লৈরগা আলু হাপচিল্লগা ঙৌরো।
ঈশিং কপ অনী মখায়রোম হৈজিল্লগা শৌহল্লো।
ঙশাই তীংদুনা থমখিবা চেঙ অদু লৌখৎলগা হাপচিনবা য়ারে।
চেঙ অদুনা চাক ওন্দ্রিফাওবা থোংলগা থাংথরো অমসুং ফদিগোম মনা চাইশিল্লগা চাবা য়ারে।




# সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি

## অমম্বদা শক খঙবা ঙম্বা টেক্নোলোজি

কম্প্যুটর সাইন্টিষ্টশিংনা শেমগৎপা অনৌবা ফেস রেকগনিশন মেথদ অমগী মতেংনা সর্ভিলেন্স অমদি সিক্যুরিটি টেক্নোলোজিদা চাউনা কান্নবা পীরগনি। জর্মনিদা লৈবা কার্ল্সরুহে ইন্সটিট্যুট ওফ টেক্নোলোজিগী সেক্বিব সরফ্রাজ অমসুং রেনর ষ্টিফেলহেজনা শেমগৎপা সিষ্টম অমনা মীওইবগী ইনফ্রারেদ ইমেজ এনালাইজ তৌরম্মী। নুংথিল পোবোপতা নম্বা ফোটোগা অমুক চাংদম্নদুনা য়েংলম্মী।

মীওইবগী ব্রেনগা চপ মান্নবা মওংদা মথৌ তৌবা দীপ ন্যুরেল নেটৱার্ক সিষ্টম কৌবা কম্প্যুটর প্রোগ্রাম অমা শীজিন্নরগা চাংদম্নবনি। "দিস্কোভরি ন্যুজ" দা ফোঙলকখিবা রিপোর্ট অমনা হায়খি, অনৌবা টেক্নোলোজি অসি শীজিন্নরগা মঙাল ফংদবা অমম্বদা নম্বা ফোটো ওইরবসু মীওইবগী মশক ইরায় লায়না খঙবা ঙম্লগনি।

"দীপ ন্যুরেল নেটৱার্ক সিষ্টম"না সর্ভিলেন্স অমদি সিক্যুরিটি টেক্নোলোজিগী ফীভম ফগৎহনবা ঙম্লগনি হায়না থাজনরি।